# এদিটোরিয়েল

WAYEL KATI

ইম্ফাল, ৱাকচিংগী ২৭ নি পানবা, শগোলশেল জনুৱারী ১৫, ২০২৬ ইং

## রোদ সেফটি ৱিক ২০২৬

### লম্বী চৎপগী কাঙলোন ঙাকপনা এক্সিদেন্ট থোকপা হন্থবা ঙমগনি

লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক হায়বসি চাওখৎলবা মতম অসিদসু মালেমগী ওইবা অচৌবা ইশু অমা ওইরি। চাওখৎপা লৈবাকশিংদসু, চাওখৎত্রিবা লৈবাকশিংদসু এক্সিদেন্টদা অদুমক থোকই। অদুবু চাওখৎপা লৈবাকশিংদনা চাং হন্থে। অদুগা চাওখৎত্রিবা লৈবাকশিংদনা চাং ৱাংই। কেন্সরগুম্বা লায়নানা মী শিহনবগী চাংদগী লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক্তা শিবা মীগী মশিংনা হেল্লি হায়না লৌনরিবনি। হিংবা য়াবা মীওইবগী পূন্সিগী তাঙ্কক কয়া খাংঙু থক্তা মাঙহনবগী থৌদোক অসি চপ চানা মায়োক্লনবা হায়বদুদি হায়বা ঙম্লোই। তৌবদদি ঐখোয়না লম্বী চৎপগী কাঙলোন অমসুং চেকশিন্না গাড়ি থৌরগদি অসিগুম্বা খূদোংথিবা থৌদোকশিং অসিদগী খরমখৈদি কনবা ঙম্মী। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মশক নাইবা মীওই কয়ামরুম শিখ্রে। মখোয়না তোঙলিবা নৎত্রগা থৌরিবা গাড়িশিং অদু মীওইবগী পূন্সি কনবা য়াবা এয়র বেগ কয়া অমা হাপ্লিবনি। মদুফাওবদসু মী কনবা ঙমদবা ময়াম অমা য়াওই। ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা গাড়িশিংদি সেফটি মিজরসসি য়াম্না হন্থে। মরু ওইনা মণিপুরগুম্বদা শীজিন্নবা গাড়িশিংদদি এয়র বেগ য়াওববুদি য়াওদবনা মশিং হেল্লি। মমল খরা হোঙবা অদুগা মীয়াম পাক শন্না শীজিন্নবা কারশিংদা এয়রবগে হাপ্তবা য়াম্না য়াওই। অদুগুম্বা গাড়িশিং অদুগী মতাংদা লৈঙাক্লা করিসু হায়দে। চাওখৎপা লৈবাকশিংদদি কার অনৌবা পুথোরকপদা মখল মখা কয়াগী সেফটিগীদমক টেষ্ট তৌই। কয়া য়াম্না কনবা চাংদা গাড়ি অদুদা শাফু পীরকপদা এয়র বেগ অদু কয়াম থুনা কাপথোরক্কে হায়বদু য়েংলগা য়োনবগী অয়াবা পী। গাড়ি এক্সিদেন্ট থোরকপদা গাড়ি অদুগী সেফটিগীদমক হাপ্লিবা মচাকশিংদা অকায়বা করি য়াওবগে হায়বা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসারশিংনা য়েংশিনবা চৎনৈ। অসিগুম্বা ৱাফমসি মণিপুরদা তাবীনবা লৈরোই। গাড়ি এক্সিদেন্টকী থৌদোকশিংদা মীওইবগী পুন্সি কন্নবগীদমক্তগা চহী খুদিংগী ওইনা জনুৱারী ১১ দগী ১৭ ফাওবসি রোদ ফেফটি ৱিক হায়না থৌরম পাঙথোক্কে। চৎলিবা চহী ২০২৬ কী ওইনদি 'সাড়ক সুরক্সা–জিবন রক্সা' (লম্বীগী খূদোথিবা থোকহন্দবা অমসুং মীওইবগী পুন্সি কনবা) হায়বসিনা ওইরি। রোদ সেফটি ৱিক্কী থৌরম পাঙথোকপগী মরু ওইবা মরমদি ত্রাফিককী রুলশিং পাক শন্না খঙহনবনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ঐখোয়গী মীয়াম্না লম্বী চৎপগী কাঙলোন অসি মমুৎ তানা খঙনদে। কনাগুম্বা খরনা খঙলগসু থওইনা লুম্না লৌনদে। চহী নৌরিবা অঙাংদগী হৌরগা অহল ওইরবা মীওইনা মখোয়গী থৌরিবা গাড়িশিং মিনিট অমফাওবা লেপ্তুনা মহাক্কী টর্ন ঙাইননিংদে। অহোবদা লীৎশিনহৌনবা অমসুং রেদ লাইট থাল্লক্তুনা লেপ্পনবা খঙহল্লবা ফাওবদা খোঙজেল য়াংনা থৌজিন্নরি।

মণিপুরদসু নুমিৎ খুদিংগী গাড়ি এক্সিদেন্টগী থৌদোকশিং থোক্লি। ইতৎ তৎতনা মীশি মীনা য়াওবগী পাউ তান্নরি। এক্সিদেন্ট খুদিংমক পুলিসতা রেকোর্দ তৌদে। মী শিবা য়াওরকপা অমসুং লায়েংবগী মতাংদা য়েৎনরকপদা পুলিস ষ্টেসন য়ৌরকপগী ৱানা অয়াম্বা ওইনা তৌই। নেস্নেল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরো অমসুং ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না চহী খূদিংগী ইন্দিয়াদা লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোকশিংদা মীওই লাক্ষ ১.৫ হেন্না শি। মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০১৯ দগী গাড়ি এক্সিদেন্ট ৬৭২ থোকখি অমসুং মীওই ১৫৬ শিখি। কুমজা ২০২০দা রোদ এক্সিদেন্ট ৪৩২ থোকখি। অদুগা মীওই ১২৭ শিখি। কুমজা ২০২১ দা এক্সিদেন্ট ৩৬৬ থোকখি, মীওই ১১০ শিখি। ২০২২দনা এক্সিদেন্টগী থৌদোক ৩৫৯ থোকখি। অদুগা ১১৪ শিখি। কুমজা ২০২৩দনা এক্সিদেন্টগী থৌদোক ৩৫৭ থোকখি। অদুগা মীওই ১০৭ শিখি। কুমজা ২০২৪ দনা এক্সিদেন্টগী থৌদোক ২১৭ থোকখি। অদুগা মীওই ৭৫শিখি অমসুং কুমজা ২০২৫কী ওইনদি ওফিসিয়েল রেকোর্দ ফংবা ঙমদ্রি। অদুমকপু মীওই ৮০০ রোম শিরমগনি হায়না পান্নরি। মীশি মীনা নংবা এক্সিদেন্টগী থৌদোকশিং অসিগী মরমদা থিজিনবদা চাদা ৫৫.৯ দি গাড়ি য়াম্না য়াংনা থৌবদা থোকহনবনি। অদুগা চাদা ২৭.৫না চেকশিন্দনা গাড়ি থৌবদগী থোকহনবনি। চাদা ১.৯ না ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিল্লগা গাড়ি থৌবদগী থোকহনবনি। মসিগীসু মথক্তা চাদা ৩.৫ রোমনা লম্বী ফত্তবা, লৈচিল নোংফাই থাংবনা উবা ঙমদবদগী থোকহনবনি হায়রি। য়াম্লবা এক্সিদেন্টগী থৌদোকশিং অসিদা মী শিবা খক নত্তনা কয়া অমা শোকই। অশোকপশিং অদুগী মনুংদা কয়া অমদি শোয়নাইরবা পূন্সি মরেল অমদা হিংলি। অসিগুম্বা মীশি মীনা থোকপা থৌদোকশিং অসি হন্থহন্নবা চহী খুদিংগী ওইনা রোদ সেফটি ৱিককী থৌরমসি পাঙথোকপনি। মীয়াম্না কমদৌনা কদায়দা গাড়ি খমগদগে, কমদৌনা গাড়ি হেঙ্গৎলগা থৌগদগে, গাড়ি কদায়ৱাইদা পার্ক তৌরগা থমগদগে, লম্বীদা জেব্রা ক্রোসিংগুম্বা মখল মখা কয়াগী সিম্বোলশিং য়েক্লগা থল্লিবদুনা করি হায়রিবনো অমসুং ত্রাফিক্কী কাঙলোন ইন্দবশিংদগী ফাইন করম্না লৌবগে, ই–চল্লান হায়বসি করিনো হায়বনচিংবা রোদ সেফটি ৱিককী মনুংদা মীয়ামদা ৱাখল্লোন পীরি। মপাল নাইদ্রবা কান্নবশিং অসি মীয়ামদা পীননবগীদমক ঙমজরগদি চহী চূপ্পা স্কুল, কলেজ অমসুং মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ৱাখল্লোন পীননবা অখন্নবা টিম ফাওবা থম্বা ফরবনি। ত্রাফিক পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা লৌখৎলকপা অখন্নবা থবকশিংদা শেলগা মন্তিক্রবা তৌরোইদবনি। মখোয়না তৌরিবা থবক অদু খূদোংথিবা নংগদবা, পুন্সি মাঙগদবা ময়াম অদু কনবা ঙম্লিবনি হায়না চাওথোকচবা পোকচগদবনি। নুপী ওইরবসু, নুপা ওইরবসু হেলমেট য়াওদনা গাড়ি থৌহল্লোইদবনি। গাড়িমচা থৌরিবশিং অদুখক্তা নত্তনা তোঙলিবশিং অদুসু হেলমেট উপহনগদবনি। গাড়ি অচৌবশিংসু সিট বেল্ট ফহনগদবনি। মণিপুরদা সিট বেল্ট ফাদবগীদমক করিমত্তা তৌদ্রিবসি অচূম্বা নত্তে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা মীওই অয়াম্বনা ত্রাফিক্কী রুল ইন্দে। লম্বীগী খূদোংথিবা থোক্তনবগীদমক্তা ত্রাফিকী রুল নিংথিনা ঙাক্কদবনি। লাইসেন্স পারম চূম্না পীগদবনি। মসিগা লোয়ননা লম্বী ফত্তবা ময়াম অসিসু নিংথিনা শেমজিন শাজিন্দুনা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকহন্দনবা হোৎনসি হায়জনিংই।

## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 189*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 5 | | | | | |
| | | | | | 4 | | | |
| | | | | | | | | 7 |
| | 1 | 6 | | | | 8 | | |
| 4 | | | 2 | | 7 | 5 | | 6 |
| | | 8 | 6 | | 9 | 4 | 3 | |
| | | 3 | | | | | | |
| | | | 9 | 4 | | | 2 | |
| 5 | 6 | | 7 | | | 3 | | |

# অয়াম্বা মতমদা পুক্লিং ৱাখল লৈতাহনবনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবা

চাং নাইনা মেদিটেসন তৌবা মীওইশিংগী নুংঙাইবা পাউ অমা ওইনা হন্দক্তা রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা মেদিটেসননা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি অমসুং থম্মোয়গী লায়নাশিং ঙাকথোকই হায়বা খঙলে।

পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা মেদিটেসন তৌরবদি হকচাং মনুংদা সেলশিং শিবগী চাং হন্থহন্দুনা অহল ওইশিলহন্দে অমসুং পুন্সি শাঙহল্লি হায়রি।

আইওৱানা লৈবা মহারিশি য়ুনিভর্সিটি ওফ মেনেজমেন্ট (এময়ুএম)গী রোবোট স্নিদরনা হায়খি, মেদিটেসন তৌদুনা পুক্লিং ৱাখল ফাথরবদি ব্লদ প্রেসর হন্থরক্তুনা হার্টকী ফীভম ফগৎলক্কনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদগী মেদিটেসন তৌবনা লব্দ প্রেসর হন্থংল্লি, হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হন্থহল্লি অমসুং পুন্সি শাংদোকহল্লি হায়বা খঙখ্রবনি।

হন্দক্তা ইকোন–কোনবা ওইনা হোৱার্দ য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টরদা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা নুপা অমসুং নুপী ৪৮ দা ষ্টদি চখখি। ষ্টদিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংবু কাঙলুপ অনি থোক্লা খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমবু চাং নাইনা মেদিটেসন তৌহল্লম্মী। অতোপ্পা কাঙলুপ অমদুনা পুন্সি মহিং হোংদোকহনবগা লোয়ননা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহল্লম্মী অমসুং থুমগী চাং হন্থনা পীজরম্মী। অনিশুবা কাঙলুপ অদু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌহনবগা লোয়ননা য়ুম অমদি মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকহল্লম্মী।

চয়োল ১৬ কী মতুংদা চাংদন্নদুনা য়েংবা মতমদা কাঙলুপ অনিমক ব্লদ প্রেসর হন্থরম্বা থেংনখি। মতৌ অসুন্না পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা মেদিটেসন তৌরবদি থম্মোয়গী লায়না য়াওনা অনাবা কয়া মাঙজৌননা ঙাকথোকপদগী পুন্সি শাংদোকহল্লি হায়না মহারিশি য়ুনিভর্সিটি ওফ মেনেজমেন্টতা ইন্সটিট্যুট ফোর নেচরেল মেদিসিন এন্দ প্রিভেন্সনগী দিরেক্টর ওইনা লৈবা রোবার্ট স্নিদরনা ফোঙদোকখি।

মেদিকেল জর্নেল 'পিএল ও এস ৱান' দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা মোলিক্যুলর বাইওলোজিগী প্রোফেসার জোন ফেগাননা হায়খি, থম্মোয়গী লায়নাগা মরী লৈনবা মরমনা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌফম থোকই।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, মেদিটেসন তৌবগা লোয়ননা পুন্সি মহিং হোংদোক্লবদি হকচাং মনুংদা টেলোমরেজ কৌবা এঞ্জাইম অমা থোরকপদগী ব্লদ প্রেসর অমসুং কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থরকপনি। মসিনা মরম ওইরদুনা পুন্সি শাংদোকহল্লি।

হন্দক্কী ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা হোৱার্দ য়ুনিভর্সিটি কলেজ ওফ মেদিসিনগী ওটেলিও রেন্দোলনা হায়খি, মেদিটেসন তৌবগা লোয়ননা পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা ৱাখল ৱাবা অমদি লাংতক্লবগী চাং হন্থহনবা ঙম্লবদি হকচাং মনুংদা টেলোমরেজ চাং ৱাংনা থাদোরক্তুনা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি অমসুং পুন্সি শাংদোকহল্লি।

মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না মীওই অয়াম্বা মথৌ চিন্নরকপগা লোয়ননা চাকচা–য়ুথক শোয়রকপা অমসুং ঈশিং–নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকই। মসিনা ৱাখল ৱাবা অমদি লাংতক্লহনবদসু মতেং পাংশিল্লি।

পুক্লিং–ৱাখল ফাথবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাংদি মেদিটেসননি। নুমিৎ খুদিংগী পুংখায় অমমম মেদিটেসন তৌবা মতমদা ৱাখল নুংঙাইহল্লি। পুক্লিং–ৱাখল লৈতাহন্নবগীদমক নোংমদা পুং ৭–৮ মপুং ফানা তুম্বা মথৌ তাই।

খোঙনা চৎপা হায়বসিনা খ্বাইদগী লায়বা হকচাং শাজেলনি। নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক খোঙনা চৎলবদি ৱাখল অমসুং হকচাং অনিমক নুংঙাইহল্লি। ফৎতবা ৱাখল খনবা মতমদা মাঙজরিবসি ইশা ইথন্তনি। নুংঙাইবা অমদি অফবা ৱাখল খল্লগা কান্নবা ফংলিবসু ইশাখক্তনি। হকচাং নুংঙাইহন্নবগী মতাংদা অহানবা খোঙথাংদি ৱাখল নুংঙাইহনবা হায়বসি। ৱাখলনবু নুংঙাইত্রবদি অতৈ হিরমশিংদা ফম্না কন্না হোৎনরবসু হকচাং নুংঙাইহনবা ঙম্লোই। পুন্নমক অসিগী মথক্তা নুমিৎ খুদিংগী মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবা মথৌ তাই। হেন্না মরু ওইবদি নুমিৎ খুদিংগী মেদিটেসন তৌদুনা পুক্লিং ৱাখল নুংঙাইহনবদুনি।



# অয়াম্বা মতমদা পুক্লিং ৱাখল ৱাবা থবক তৌবনা থোকহল্লকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওং

হেন্না ৱাখল ৱাবা থবক শুবনা হকচাং শোকহল্লি হায়বসি পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অয়াম্বা মতমদা ৱাখল ৱাবা থবক শুবগা লোয়ননা থবক মফমদা তোয়না ষ্ট্রেস মায়োক্লবা মীওইশিং কুইনা পুন্সিদে হায়বা খঙলে।

ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা ৱিস্কোন্সিনদা লৈবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা মীওই ২,৩৬৩ গী মরমদা চহী চূপ্পা নৈনরম্মী। কুমজা ১৯৫৭ তা ৱিস্কোন্সিন হায়বা স্কুলদগী গ্রেজ্যুয়েট ওইখিবা মীওই ১০,০০০ দা চখখিবা ৱিস্কোন্সিন কোঙ্গিচ্যুদিনেল ষ্টদিগী রিপোর্টসু কুপ্পা য়েংশিল্লম্মী। থবক মফমদা মশানা ৱারেপ লৌজনবগী রাইট লৈতবা মীওইশিং ঙন্তনা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। ৱাখল য়াম্না ৱাবা থবক ওইরগনা অমুক্তা হেন্না রিস্ক ৱাংই হায়রি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী কেলি স্কুলদা ওর্গনাইজেস্নেল বিহেবিয়র এন্দ হ্যুমেন রিছোর্সেসকী এসিস্টেন্ট প্রোফেসার এরিক গোঞ্জালেসনা হায়খি, ৱাখল ৱাবা থবক তৌরবসু থবক মফমদা মশানা ৱারেপ লৌজনবগী রাইট লৈবা মীওইশিংদুদি চাউনা কান্নবা ফংই। 'ৱর্ক টু দেথঃ দ রিলেসনশিপ ওফ জোবপ দিমান্দসু এন্দ জোব কন্ট্রোল ৱিথ মোর্টেলিতি' হায়না মিংথোনবা রিছার্চ অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অখন্নবা পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা থবক তৌমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক শরুক য়াহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

হকচাং ফবা হায়বসি অনা অয়েক য়াওদবা অদুখক নত্তে। পুক্লিং ৱাখল অমদি হকচাং নুংঙাইনা লৈবদুনি হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) না ফোঙদোকখি। মতৌ অসুন্না থবক মফমদা নুংঙাইনা থবক তৌবা হায়বসিদা মরু ওইরিবসি, হকচাং শোক্লোইদবা মওংদা থবক তৌবদুখক নত্তে, হকচাং অমদি পুক্লিং ৱাখল নুংঙাইগদবা মওংদা থবক তৌবদুনি। ইমপ্লোয়ি অমনা থবক তৌমিন্নরিবা মরুপ মপাং অমদি মকোক থেংবা ওফিসিয়েল মতেং ফংদ্রবা অমসুং থবক্তা মরী লৈনবা ৱারেপ লৌনবগী রাইট ফংদ্রবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লরকই। ষ্ট্রেসনা মরম ওইরগা ইমপ্লোয়ি অদুগী হকচাং শোকহল্লকপগা লোয়ননা মওং–মরিল তানা থবক তৌবা ঙম্লক্তবদগী মহাক্লা থবক তৌরিবা ফার্ম অদুসু শিথরক্লবগী মরম ওইহল্লি।

কনাগুম্বা মীওই অমদা মশাগী লৌশিং অমসুং তৌবা ঙম্বগী চাংগা চান্নদবা মওংদা অহেনবা থবক তৌহল্লবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লরকই। মদুদা থবক তৌমিন্নরিবা মরুপ–মপাংশিং অমসুং মথক থোংবশিংগী মতেং ফংদবগা লোয়ননা থবক্তা মরী লৈনবা ৱারেপ লৌবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লবগী চাং হেঙ্গৎলকই।

করিগুম্বা মতমদা থবক্কী প্রেসর অমসুং ষ্ট্রেসকী মরক্তা হেক হেক চমন্নবা পোকই। থবক মফম খুদিংমক্তা থবক্তা মরী লৈনবা প্রেসর মায়োক্লরবা হায়বসি মশানা তরবা ৱাফমনি। প্রেসর অদুনা থৌনা হাপকৎপদগী হেন্না হেন্না ফজবা মওংদা থবক তৌবা ঙমহল্লিবনি। অদুবু মীওইবনা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা মওংদা অহেনবা প্রেসর পীশিল্লবদি মদুনা ষ্ট্রেস ওইহল্লক্তুনা হকচাং শোকহল্লি অমসুং ংথঢ়বক ফজনা তৌবা ঙমহন্দে।

হিরম অসিগী মতাংদা চখখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কনাগুম্বাশিন্নী অমগী লৌশিং অমসুং তৌবা ঙম্বা চাংদগী হেনবা মওংদা থবক্কী প্রেসর পীশিল্লবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লরকই। মদুদা থবক তৌমিন্নরিবা অতৈ মীওইশিংগী মতেং ফংদ্রবদি ষ্ট্রেস মায়োক্লবগী চাং হেঙ্গৎলকই।

থবক্তা মরী লৈনবা ষ্ট্রেসকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি কয়া চখদুনা রিপোর্ট কয়াসু ফোঙলকপা লৈখ্রে। রিপোর্টশিং অদুগী মতু ইন্না ষ্ট্রেস হন্থহনবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাংদি ঈকাইখুন্নবিবা অমসুং শিংথশনবীবা হায়বসিনি। থবক মফমদা শিন্নী অমবু মপুং ফানা ইকাই খুন্নবীবগা লোয়ননা মহাক্লা তৌরিবা থবক অদু শিংথাবীদুনা থাগৎপা ফোঙদোক–পীরবদি মখল অমত্তগী ষ্ট্রেস মায়োক্লদবা মরমনা থবক তৌবা ঙম্বগী চাং হেঙ্গৎলক্কনি হায়রি।

লন–থুমগী ৱাফমনা তোখায়না থমখ্রগা মীওইবনা খ্বাইদগী পাল্লিবসি ইকাই খুন্নবীবা অমসুং চঙখি–চঙখিবা মফম খুদিংমক্তা ফিদা অমা ফংবা হায়বদুনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মীওইবনা তৌরিবা থবক খুদিংমক ইকাই খুম্নবা ফংনবগীদমক্তনি হায়না লৌবা য়াই। কনাগুম্বনা শিনফম অমা নৎত্রগা অমা পায়দুনা শেল তানবা য়াবা তাল্লুরগা শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা ওইরবা মতুংদা মখা তানা শেল তাল্লুবগী মথৌ তাদ্রবসু ভোট লেপ্তুনা মিনিষ্টর ওইনবা হোৎনরকপা য়াওরিবসি ইকাই খুম্নবা ফংনবগীদমক্তনি হায়বা য়াই।


ওক্যুপেস্নেল হেল্‌ঠ সাইকোলোজিগী মতাংদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমবু খোঙথাং খুদিংগী অশোয়বা থিদুনা চৈ থাংবগী থৌওং চখরবদি হেন্না হেন্না ৱাখল লৌশিং ফকচিনখিদুনা থবক অমত্তা মওং মরিল তানা তৌবা ঙমহন্দে। মদুগী মহুৎতা থাগৎ–ৱাহৈ কয়ানা শিংথাবীরবদি মতিং ফুদোক্তুনা থবক তৌরকই অমসুং হেন্না হেন্না ফজবা মওংদা থবক তৌগে খল্লকই।

মরু ওইরিবা ৱাফমদি থবক মফমদা ষ্ট্রেশ মায়োক্লবনা মীওইবগী পুন্সি তেলহনবগী মতাংদনি। ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা চখখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কনাগুম্বা অমা থবক মফমদা কা হেন্না ষ্ট্রেস মায়োক্লরবদি হকচাং শোকচিল্লক্তুনা পুন্সি তেলহল্লি। মদুগীসু মথক্তা প্রদক্তিভিতি ৱাৎপদগী মহাক্লা থবক তৌরিবা ফার্ম অদুসু শিথরক্লবগী মরম ওইরকই।



## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-186*




**ACROSS**

1 Mardi Gras city (3,7)
5 Lowest part (6)
9 Object of amusement (9)
10 Dwelling (5)
11 Alphabetical listing (9)
13 Strangely (5)
14 Conjecture (9)
18 French port (2,5)
19 Makeshift (2,3)
21 Long-handled spoon (5)
22 Plane's personnel (7)
25 Kimono sash (3)
26 Heather genus (5)
27 African fly (6)
29 Drum kit accessory (6)
33 Was ill (5)
34 Tree of the olive family (3)
35 North African republic (7)
36 Stress (5)
37 Genuine (5)
39 Within, bound by two (7)
40 Racing sledge (9)
43 Louisiana cuisine (5)
46 Plum-like fruit (9)
49 Large residence (5)
50 St Petersburg's former name (9)
51 Telephone (4,2)
52 Compliance (10)

**DOWN**

1 Central American country (9)
2 Went quickly (5)
3 Trade ban (7)
4 Military greeting (6)
5 Purchaser (5)
6 Worked hard (6)
7 Computing unit (8)
8 Spiny wild shrub (5)
12 Dairy product (7)
15 Type of salmon (7)
16 Abduct (6)
17 Undeniably (7)
20 Lifting (8)
23 Attendance check (4,4)
24 Pitiful person (6)
25 Canada's capital (6)
28 Thin, bony (7)
30 Afflict, trouble (7)
31 Croatia's capital (6)
32 Liberating (7)
38 Remove moisture from (9)
39 Single man (8)
41 False courage (7)
42 Religious paintings (5)
44 Participate (4,2)
45 Las Vegas' state (6)
47 Put together (3,2)
48 Implant (5)

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 | 9 | 4 | 3 |
| 6 | 9 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 8 |
| 3 | 4 | 5 | 8 | 9 | 1 | 2 | 6 | 7 |
| 2 | 1 | 6 | 4 | 3 | 5 | 8 | 7 | 9 |
| 4 | 3 | 9 | 2 | 8 | 7 | 5 | 1 | 6 |
| 7 | 5 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 | 3 | 2 |
| 9 | 2 | 3 | 1 | 5 | 6 | 7 | 8 | 4 |
| 8 | 7 | 1 | 9 | 4 | 3 | 6 | 2 | 5 |
| 5 | 6 | 4 | 7 | 2 | 8 | 3 | 9 | 1 |




Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733